# কর্নাটকাগী বাই ইলেক্সনদা বি জে পিগী মীরেপ ওইগদবা মীওই ১৪গী মিং লাউথোকখ্রে

বেঙ্গালুরু, নবেম্বর ১৪ (এজেন্সি): দিসেম্বর ৫দা পাঙথোক্কদবা কর্নাটকাগী বাই ইলেক্সনদা মীরেপ ওইগদবা ভারতিয়া জনটা পার্টি (বি জে পি)গী মীওই ১৪গী মিং লাউথোকখ্রে।

সুপ্রিম কোর্টনা হায়রিবা মীওইশিং অদু দিসক্বালিফাই তৌবগা লোয়ননা বাই ইলেক্সনদা মীরেপ ওইবা য়াগনি হায়না ৱায়েল পীখ্রবা মতুংদা মিরেপশিংগী লিষ্ট লাউথোরকখিবনি। বি জে পিগী মীরেপ ওইগদবা মীওইশিং অদুদি অধানি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মহেস কুমাতালি, কগৱাদ কন্সটিট্যুয়েন্সিদা সিমন্থ গৌদা, গোকক কন্সটিট্যুয়েন্সিদা রমেস জরাকিহোলি, য়েল্লাপুরদা সিবরাম হেবার, হিরেকেরুরদা বি সি পাতিল, বিজয়নগরদা অনন্দ সিংহ, চিকাবালাপুরদা কে সুধাকর, কে আর পুরাদা ভাইরথি বসবরাজ, য়েস্বনাথপুরদা এস টি সেমসেখর, মহালক্ষ্মি লেআউটতা কে গোপালয়া, হোসাকোটেদা এম টি বি নগরাজ, কৃষ্ণরাজপেটতা নরায়ানা গৌদা, হোসুরদা ঐচ বিস্বানাথ অমসুং সিবাজিনগরদা এম সরবনানি।

বি জে পিনা সিবাসিনগরদা মীরেপ ওইগদবা মীওই অমগী মীং লাউথোরক্লবনিনা সোরন বেগপু পার্টি অসিদা লৌশিল্লরোই হায়বা ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লে।

মীওই ১৩মক চহী অসিগী হৌগৎলপদা ফম থাদোকখিবা কোংগ্রেস অমদি জে দি এসকী এম এল এ ওইরম্বনি। কোংগ্রেস অমসুং জনটা দল য়ুনাইটেদকী এলাইয়েন্সতগী এম এল এ ১৫ বি জে পিদা য়াওরকখিবনি। দিসক্বলিফাই তৌখ্রবা এম এল এ ১৭কী মনুংদা এম টি বি নগরাজদি মাংজৌননা বি জে পিদা য়াওখ্রবনি। অদুম ওইনমক রোসন বেগতি হৌনবী মতুং ইন্না বি জে পিদা য়াওরকপা লৈত্রি।

কর্নাটকা লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী স্পিকর কে আর রমেস কুমারনা কোংগ্রেস অমসুং জে দি এসকী এম এল এ ১৭ দিসক্বালিফাই তৌখিবগী থৌওং অদু সুপ্রিম কোর্টনা ঙরাং অয়াবা পীখি। অদুম ওইনমক দিসক্বালিফাই তৌখ্রবা এম এল এশিং বাই ইলেক্সনদা মীরেপ ওইবা য়াগনি হায়নসু এপেক্স কোর্টনা খঙহনখি।

হৌখিবা জুলাই থাদা রেবেল এম এল এশিংনা ফম থাদোকখ্রবা মতুংদা স্পিকরনা এন্টি দিফেক্সন লোগী মখাদা দিসক্বালিফাই তৌখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০২৩ ফাওবা মীরেপ ওইবা য়ারোই হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

স্পিকরগী ফিরেপ অদুবু শীংরদুনা ফম থাদোকখ্রবা এম এল এশিংনা সুপ্রিম কোর্টতা পিটিসন অমা ফাইল তৌখি। কর্নাটকাগী মীখলদা বি জে পিনা সিট ১০৫ ফংদুনা সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি ওইখ্রবসু লৈঙাক শেম্বা ঙমখিদে। কন্সটিট্যুয়েন্সি ১৭তা হৌজিক পাঙথোক্কদৌরিবা বাই ইলেক্সন অসিগী মতুং তারকপদা বি জে পি লৈঙাক পায়বা ঙম্লগনি হায়না থাজনরি।



# লেফটনেন্ট গভর্ণরনা অথুবা মতমদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা এসেমব্লী মীখল পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে

স্রিনগর, নবেম্বর ১৪ (এজেন্সি): জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী লেফটনেন্ট গভর্ণর গিরিস চন্দ্র মরমুনা অথুবা মতমদা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসিগী এসেমব্লী মীখল পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

জম্মু রিজনগী টলৱারাদা পাঙথোকখিবা পুলিসকী পাসিং আউট পেরেদতা ৱা ঙাংখিবদা লেফটনেন্ট গভর্ণরনা হায়খি, এসেমব্লীগী মীখল পাঙথোক্লবা থবক পায়খৎপা হৌরে। ঙসি পাসআউট তৌরিবা পুলিস পার্সনেলশিংনা মীখলদা মরু ওইবা থৌদাং লৌগদবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ওক্টোবর ৩১দা মরমুনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী লেফটনেন্ট গভর্ণর ওইনা থৌ পুখ্রবা মতুংদা অহানবা ওইনা শরুক য়াখিবা থৌরম অমদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। হৌখিবা ওগষ্ট ৫দা বি জে পিনা লুচিংবা সেন্টরগী লৈঙাক্না আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্লগা জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী থাক্তা শরুক অনী থোক্না খাইদোকখি।

জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমা ওইহনবগা লোয়ননা লদাখ রিজনদসু অতোপ্পা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমা ওইনা লাউথোকখি। লদাখকা মান্নদবা মওংদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী ওইনা লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী মীখল পাঙথোক্তুনা চীফ মিনিষ্টর অমদি মিনিষ্টরশিং খনবা য়াই।

লেফটনেন্ট গভর্ণরনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা এসেমব্লীগী মীখল পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখিবা তারবসু ফরুক অব্দুলা, ওমার অব্দুলা অমদি মেহবুবা মুফতিনচিংবা পোলিটিকেল লিদরশিং ওগষ্ট ৫দগী ফাজিন্দুনা থল্লক্লি। তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মরু ওইবা লুচিংবা ৫০ রোমসু সেনটোর হোটেলদা ফাজিন্দুনা থল্লিবনি।

সেন্টরনা পি দি পিগী অলটাফ বুখারি, মুজাফর বেগ অমসুং কোংগ্রেসকী উসমান মজিৎকা পাউ ফাউনদুনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা মীপুম খুদিংমক শরুক য়াহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি।



# জৱাহরলাল নেহরুগী মফমদা মীয়াম্না ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৪ (এজেন্সি): ইন্দিয়াগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর জৱাহরলাল নেহরুগী ১৩০ শুবা মপোক কুমওন নুমিৎতা লৈবাক মীয়াম্না হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টরদা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি, পন্দিত জৱাহরলাল নেহরুগী মফমদা কোক নোন্না ইকায় খুম্নবা উৎলি। ব্রাজিলদা পাঙথোকপা ব্রিক্সকী মীফম য়াওরিবা মরম্না হৌজিক হৌজিক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি ইন্দিয়াদা লৈতে। নেহরুগী মপোক নুমিৎ ওইরিবা নবেম্বর ১৪বু লৈবাক্কী মফম পুম্নমক্তা অঙাংশিংগী নুমিৎ হায়না থৌরম পাঙথোক্লি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা রাষ্ট্রপতি ভবনদা ঙসি প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা অঙাং কয়াগা উনদুনা ৱারী শানখি। হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ডা. মনমোহন সিংহ অমদি কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধি য়াওনা তোঙান-তোঙানবা কোংগ্রেকী লুচিংবা কয়ানসু নেহরুগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়খি, ইন্দিয়াগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর জৱাহরলাল নেহরুবুগী হৌজিক ফাওবা মীৎয়েং শানবা লুচিংবা অমনি হায়না মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা শক্না শোন্নরি। লুচিংবা অসিগী মপোক কুমওন লাকপদা লৈবাক মীয়ামগা লোয়ননা কোক নোন্না ইকায় খুম্নবা উৎলি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

কুমজা ১৮৮৯গী নবেম্বর ১৪দা উট্টর প্রদেশকী প্রয়াগরাজ (অলাহবাদ)তা পোকখিবনি। কুমজা ১৯৪৭কী ওগষ্ট ১৫দা ইন্দিয়াগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইখিবা মীওই অসি কুমজা ১৯৬৪গী মে ২৭তা অরোইবা য়াহিপ তানখিবনি।

# কোংগ্রেস, এন সি পি অমসুং সিব সেনানা মহারাষ্ট্রগী মতাংদা য়ানবা পুরক্লবা হোৎনরি

মুম্বাই, নবেম্বর ১৪ (এজেন্সি): মহারাষ্ট্রদা উধব থাকরেনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অমা শেম্নবগী মতাংদা কোংগ্রেস, সিব সেনা অমসুং নেস্নেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সি পি)গী লুচিংবশিংনা কম্মন মিনিমম প্রোগ্রাম অমা শেম্নবা হোৎনরি।

পার্টি অহুমগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা কম্মন মিনিমম প্রোগ্রামদা অয়াবা পীরবা মতুংদা চুংশিন্নবা লৈঙাক শেম্নবা থৌরাং লৌখৎপনি হায়রি। কোংগ্রেসকী সিনিয়র লিদর অমনা হায়খি, পার্টি অহুমগী লুচিংবশিংনা হৌজিক দ্রাফ কম্মন মিনিমম প্রোগ্রাম শেম্লগা সেন্ট্রেল লিদরশিংদগী অয়াবা লৌনবা হোৎনরি।

হান্নগা মান্নদবা মওংদা ঙসি পার্টি অহুমগী লুচিংবশিংনা অরোনবা মফম অমদা মীফম পাঙথোকখি। এন সি পিগী এম এল এ অমসু ওইরিবা হান্নগী দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর অজিত পৱারনা হায়খি মদুদি কোংগ্রেস অমসুং এন সি পিগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্কনি হায়না থৌরাং তৌরম্বা অদু কেন্সেল তৌরে।

হিরম অসিগী মতাংদা এন সি পিগী প্রসিদেন্ট সরদ পৱারনা পাউমীশিংনা হায়খি, মিদিয়াগী অখন্নবা মীৎয়েং চঙলক্তনবা পার্টি অনীনা অরোনবা মীফম পাঙথোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি। চৈরকসিদা থাকরেনা কোংগ্রেসকী সিনিয়র লিদর অহমদ পতেলগা উনদুনা ৱারী শান্নখ্রে হায়বা ৱাফম অমা সিব সেনাগী লুচিংবা সঞ্জয় রাউতনা অরানবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা রাউতনা হায়খি সিব সেনাগী প্রসিদেন্ট উধব থাকরেনা কোংগ্রেসকী লুচিংবা অহমদ পতেলগা ৱারী শান্নখ্রে হায়বা তোকঙা অমা শন্দোরক্লিবা অসি লাইবক থিবনি। হৌজিকমক্কী ওইনা কম্মন মিনিমম প্রোগ্রাম শেমদ্রিবা মরম্না পার্টি অনী লৈঙাক পায়মিন্নবগী ৱাফম ফোর্মেল ওইনা লাউথোকপা লৈত্রি।

পনবা য়াবদি, পার্টি অমত্তনা লৈঙাক পায়বা ঙম্বগী ফিভম লৈত্রবদা গভর্ণর ভগত সিংহ কোসয়ারিগী রেকম্মেন্দেসন মতুং ইন্না মহারাষ্ট্রদা প্রসিদেন্ট রুল থমখ্রবনি। ওক্টোবর ২১দা পাঙথোকখিবা এসেমব্লী মীখলদা বি জে পিনা সিট ১০৫ অমদি সিব সেনানা সিট ৫৬ ফংখ্রবসু পার্টি অনী লৈঙাক পায়মিন্নবা ঙমখিদে।

## বসিসথা নরায়ন সিংহ লৈখিদ্রে

পটনা, নবেম্বর ১৪ (এজেন্সি): অলবর্ট আইনষ্টাইনগী থিওরি ওফ রিলেটিভিটি শীংনরম্বা ইন্দিয়াগী শক্লাইরবা মেথমেটিসিয়ন বসিসথা নরায়ন সিংহ বিহারগী পটনাদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা অরোইবা য়াহিপ তানখ্রে।

মতম শাংনা লায়কন্নদুনা লাকখিবা নরায়ন সিংহ মশাগী চহী ৭৪ শুখ্রে। পটনা মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালদা মতম শাংনা লায়কন্নরম্লগা লৈখিদবনি। মশাগী চহী ৭৪ শুখ্রবা মীওই অসি শাংলবা চহী ৪০ রোম সিজোফ্রেনিয়া লায়নানা মরম ওইরগা লায়কন্নদুনা লৈরকখিবনি হায়না ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোকখি।

শক্লাইরবা মেথমেটিসিয়ন অসিনা লৈখিদবদা বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিতিস কুমারনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

## কোংগ্রেসনা সিট ১৫১ ফংবা ঙমখ্রে

বেঙ্গালুরু, নবেম্বর ১৪ (এজেন্সি): কর্নাটকা অরবান লোকেল বোদি ইলেক্সনগী ফল লাউথোকখিবগা লোয়ননা অপুনবা সিট ৪১৮গী মনুংদা কোংগ্রেসনা ১৫১ ফংবা ঙমখ্রে।

বি জে পিনা সিট ১২৫ ফংদুনা অনীশুবদা লৈরি। হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ঐচ দি দেবেগৌদাগী জনতা দল সেক্যুলরনা সিট ৬৩ ফংদুনা অহুমশুবদা লৈখি। মীখল অসিদা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ৫৫ অমদি অতৈ পার্টিশিংগী সিট ২৩ ফংবা ঙমখি।

সি পি এমগী ওইনদি শুপ্নগী সিট ১দগী হেন্না ফংবা ঙমখিদে। অরবান লোকেল বোদি ইলেক্সনদা চাওনা মায় পাক্লকপদা কর্নাটকা প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিতিগী প্রসিদেন্ট দিনেস গুন্দু রাউনা মীয়ামদা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL**

**Ref :- Partition No. of 2019**

1) Laishram (N) Memcha Devi, D/o (L) Dharma Singh of Naorem Mayai Leikai (Share area 0.58 acre from dag No. 1541)

2) (L) Naorem (O) Tombi Devi, W/o (L) Angangmacha Singh of Naorem (Share area 0.72 acre from dag No. 1255)

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
14-11-2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লী, মদুদি Village No. 22-Naorem Patta No. 335 (Old), 246 (New) dag No. 1255 and 1541 area 0.72 acre of Taothabi Class and area 0.58 acre of Phourel Class হায়রিবা লৌফমশিং অসিগী Co-pattadar No. 1 অসিগী মথক্তা পাল্লিবা মাগী শরুক অসিগী মথক্তা পাল্লিবা দাগ অসিদগী মাগী শরুক ওইনা খাইদোকপীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Nambol.

HL-P/5298/15

IN THE COURT OF THE CIVIL JUDGE (SENIOR DIVISION)
IMPHAL WEST AT LAMPHELPAT

Original (Declaration) Suit No. 33 of 2019

Achom Khogen Singh. ... Plaintiff

-Versus-

Ningombam Tiken Meetei and 6 others. .... Defendants.

To

Ningombam (N) Yumnam (O) Rashi Devi, aged about 54 years, D/o (L) N. Parijat Singh W/o (L) Y. Tombi Singh of Kwakeithel Mayai Koibi, P.O. Imphal, P.S. Lamphel, District-Imphal West, Manipur.

Whereas, the above named plaintiff has instituted a suit for declaration with consequential reliefs under Section 34 of the Specific Relief Act, 1963 against you. So, you are hereby summon to appear in person or by a pleader duly authorized on your behalf before this Court on the 27-11-2019 at 10:30 a.m. to answer the claims of the plaintiffs and to file written statement if any. (A copy of the plaint is enclosed herewith for your reference).

Take notice that in default of your appearance on the day before mentioned, the suit will be heard and determined in your absence.

Given under my hand and seal of the Court on this 11th day of November, 2019.

SEAL:
By:- Advocate

**Sd/- Ojesh Mutum**
(Civil Judge (Senior Division
Imphal West, Manipur

HL-P/5281/14,15

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER - III, LAMPHELPAT, IMPHAL EAST, MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 308/AS&SO/III dt. 11/11/2019**

Thangjam (N) Laishram (O) Landhoni Devi W/o L. Lokendro Singh of Wangkhei Laishram Leikai. *-Petitioner*

-Vs-

Thangjam Kunjababu Singh S/o (Late) Ibochouba Singh of Khurai Thangjam Leikai. *-O.P.*

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Dt. 14/11/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং 27 Wangkhei Nongpok পাট্টা নং ২২৮ (অরিবা), ৩৮৭/সী (অনৌবা), দাগ নং ২২৪৯/(সি), এরিয়া ০.০০৭৪৬ একর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং থাংজম কুঞ্জবাবু সিংহ মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২১/১১/২০১৯ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিখ অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

*Sd/-* Assistant Survey & Settlement Officer
Imphal East -III, Manipur

HL-P/4533/15

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER - III, LAMPHELPAT, IMPHAL, MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 313/AS&SO/III dt. 13/11/2019**

Phanjoubam Subashini Devi W/o S. Saratchandra Singh of Yaiskul Police Lane. *-Petitioner*

-Vs-

Phanjoubam Radhe Devi D/o (Late) Phanjoubam Ibotombi Singh of Wangkhei Konsam Leikai. *-O.P.*

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Dt. 14/11/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং 38 - Wangkhei Pachim Brahmapur পাট্টা নং ৯৭,৪৪৩ (অরিবা), ২৮০/২৭৯ (এ) (অনৌবা), দাগ নং ১০৮২/(এ) অমসুং ১০৮৩/(এ) এরিয়া .০০৬৬৬ অমসুং .০৫৮১৫৫ একর = .০৬৪৮১৫ একর চাউবা ইঙ্খোলশিং অসিগী পাট্টাদার নং Phanjoubam Radhe Devi D/o (Late) Ph. Ibotombi Singh of Wangkhei Konsam Leikai মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২২/১১/২০১৯ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিখ অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

*Sd/-* Assistant Survey & Settlement Officer
Imphal-III, Manipur

HL-P/4533/15

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER - III, LAMPHELPAT, IMPHAL EAST, MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 309/AS&SO/III dt. 11/11/2019**

Thangjam Ningol Laishram (O) Landhoni Devi W/o Laishram Lokendro Singh of Wangkhei Laishram Leikai. *-Petitioner*

-Vs-

Thangjam Kunjababu Singh S/o (Late) Ibochouba Singh of Khurai Thangjam Leikai. *-O.P.*

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Dt. 14/11/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং 27 Wangkhei Nongpok Village পাট্টা নং ২২৮ (অরিবা), ৩৮৭/বি (অনৌবা), দাগ নং ২২৮৯/(বি), এরিয়া ০.০২২৯ একর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং থাংজম কুঞ্জবাবু সিংহ মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারিঅসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২১/১১/২০১৯ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিখ অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

*Sd/-* Assistant Survey & Settlement Officer
Imphal East -III, Manipur

HL-P/4533/15

ꯑꯣꯐꯤꯁ OFFICE OF THE **EDUCITY** ꯑꯣꯐꯤꯁ

Sagolband Tera Tongbram Liekai

**3rd State Level Talent Search Scholarship Competitive Exam., 2019**

**RESULTS**

**Class-1**

| Position | Name | School |
|---|---|---|
| 1st | **Laishram Simaran Devi** D/o Laishram Bidyashwor Singh | The Base Academy, Khangabok |
| 2nd | **Thokchom Hirachandra Meitei** S/o Th. Madumati | The Base Academy, Khangabok |
| 3rd | **Gabriel Meitei Laishram** S/o Premabati Devi Laishram | St. Joseph's Higher Sec. School |
| 4th | **Moirangthem Cha Maxpen Singh** S/o M. Shachinkumar Singh | New Public Hr. Sec. School |

**Class-2**

| Position | Name | School |
|---|---|---|
| 1st | **Catherine Sapam** D/o Sapam Kumarjit | Little Flower School |
| 2nd | **David Tongbram** S/o T. Priyokumar Singh | St. Joseph's Hr. Sec. School |
| 3rd | **Sagolsem Chitamber** S/o S. Vikram | Rama Krishna Mission School |
| 4th | **Jenika Singam** D/o Singam Boyai Singh | Little Flower School |
| 4th | **Leishemba Moirangthem** S/o Moirangthem Bhorotpi Singh | The Base Academy, Khangabok |
| 5th | **Venus Soibam** D/o Soibam Sanjoy Singh | K.M. Blooming Hr. Sec. School |
| 6th | **Moirangthem Tomthin Singh** S/o M. Dhoni Singh | The Base Academy, Khangabok |
| 6th | **Kordinkorou Laishram** S/o Laishram Shantikumar Singh | K.M. Blooming Hr. Sec. School |
| 7th | **Thokchom Artina Devi** D/o Th. Dhiren Singh | The Base Academy, Khangabok |
| 8th | **Thoujaojam Athouba Luwang** S/o Th. Premchandra Singh | Heritage Convent |
| 9th | **Natalya Maibam** D/o Maibam Ronikanta Singh | Little Flower School |

**Class-3**

| Position | Name | School |
|---|---|---|
| 1st | **Laishram Leo Singh** S/o Laishram Priyobrata Singh | Heritage Convent |
| 2nd | **Roshan Khundrakpam** S/o Khundrakpam Kalimu Singh | The Gulap Memorial English School |
| 3rd | **Devraj Shairem** S/o Sh. Priyokumar Singh | Heritage Convent |
| 4th | **Saikhom Nicolas Meitei** S/o Saikhom Anand Meitei | KM Blooming Hr. Sec. School |
| 5th | **Valentina Salam** D/o Salam Shyam Singh | Heritage Convent |
| 6th | **Joyshree Laishram** D/o Laishram Premjit | K.M. Blooming Hr. Sec. School |
| 7th | **Nganba Akoijam** S/o Akoijam Premjit Singh | St. Joseph's Hr. Sec. School |

**Class-4**

| Position | Name | School |
|---|---|---|
| 1st | **Pukhrambam Nandita** D/o Pukhrambam Gojen Singh | Little Flower School |
| 2nd | **Thounaojam Bafana Devi** D/o Heritage Convent | Heritage Convent |
| 3rd | **Tazeen Nesah Hasan** D/o M.A. Hasan Choudhury | Tiny Tots' Unique School |
| 4th | **Alistair Limbu** S/o Shyam Limbu | Ramakrishna Mission School |
| 4th | **Lairikyengbam Lennyson Singh** S/o Lairikyengbam Dhanaraj Singh | Sija Primary School, Chingarel |
| 5th | **Ayekpam Ronald Singh** S/o Ayekpam Ashokumar Singh | Tiny Tots' Unique School |
| 5th | **BD. Changlohring Anal** S/o BD. Joyson Anal | Tiny Tots' Unique School |
| 6th | **Khundrakpam Dhanashree Devi** D/o Khundrakpam Ranjit Singh | K.M. Blooming Hr. Sec. School |
| 7th | **Aaron Soibam** S/o Jiten Soibam | Tiny Tots' Unique School |
| 8th | **Pechimayum Shelvia** D/o P. Sanjeevkumar Singh | Tiny Tots' Unique School |

**Class-5**

| Position | Name | School |
|---|---|---|
| 1st | **Daniel Sandham** S/o Sandham Opendro Singh | Kokil Boarding School |
| 2nd | **Khang Khui Makang** S/o Yangya Makang | Kokil Boarding School |
| 3rd | **Khulakpam Momin Uddin Shah** S/o Khulakpam Nazim Uddin Shah | Kokil Boarding School |
| 4th | **Paikhomba Thokchom** S/o Thokchom Raghu Singh | Waikhom Leikai Govt. Up. Pr. School |
| 5th | **Dhanaraj Asem** S/o Asem Jayananda Singh | Kokil Boarding School |
| 6th | **Kshetrimayum Eshan Singh** S/o Ksh. Elabanta Singh | Kokil Boarding School |
| 7th | **Aribam Ganesh Sharma** S/o Aribam Ibomcha Sharma | St. Joseph's Hr. Sec. School |
| 8th | **Poubigai Panmei** S/o Dichang Panmei | Kokil Boarding School |
| 9th | **Mayanglambam Rehan Singh** S/o Mayanglambam Azad Singh | Kokil Boarding School |
| 10th | **Ishworchand Tongbram** S/o Tongbram Premchand Singh | Kokil Boarding School |

**Class-6**

| Position | Name | School |
|---|---|---|
| 1st | **Anchana Ningthoujam** D/o Arunkumar Ningthoujam | K.M. Blooming Hr. Sec. School |
| 2nd | **Victoria Thokchom** D/o Thokchom Tomei Singh | K.M. Blooming Hr. Sec. School |
| 3rd | **Naorem Naresh Singh** S/o Naorem Jangeshwar Singh | Padma Ratna Eng. School |
| 4th | **Nelson Elangbam** S/o Elangbam Jitenkumar Singh | J.N.V. Thoubal |
| 5th | **Julia Shairem** D/o Shairem Priyokumar Singh | Little Flower School |
| 6th | **Aditya Thangjam** S/o Surjit Thangjam | St. Joseph's Hr. Sec. School |

HL-P/5802/15

**Class-7**

| Position | Name | School |
|---|---|---|
| 1st | **Mediciana Moirangthem** D/o Jashoda Khwairakpam | Tiny Tots' Unique School |
| 2nd | **Danbert Loktongbam** S/o L. Ranjit Singh | St. Joseph's Hr. Sec. School |
| 3rd | **Moirangthem Robinson Singh** S/o M. Jayenta Singh | J.N.V. Imphal East |
| 4th | **Naorem Nevision Singh** S/o N. Rajeshkumar | Tiny Tots' Unique School |
| 5th | **Maikam Tania Devi** D/o Maikam Sharat Singh | Little Flower School |
| 6th | **Thoudam Damudor Singh** S/o Thoudam Nandakeshor Singh | Tiny Tots' Unique School |
| 7th | **Kreetika Chabungbam** D/o Ch. Borun Singh | Catholic School, Canchipur |
| 8th | **Aakash Soibam** S/o Soibam Jiten Singh | Tiny Tots' Unique School |
| 9th | **Md Iftar Hussain** S/o Md Heider Hussain | Tiny Tots' Unique School |
| 10th | **Maibam Sahanaz Hussain** D/o Heider Hussain | Tiny Tots' Unique School |

**Class-8**

| Position | Name | School |
|---|---|---|
| 1st | **Mutum Matilda** D/o Mutum Chandrakumar Singh | Heritage Convent |
| 2nd | **Tuleena Takhellambam** D/o Lairenlakpam Bobita Devi | Tiny tots' Unique School |
| 3rd | **Matilda Lourembam** D/o L. Jayantakumar Singh | Heritage Convent |
| 4th | **Supriya Ningthoujam** D/o Ningthoujam Surjkumar Singh | Nirmalabas High School, Imphal |
| 4th | **Rahul Laishram** S/o Laishram Premkumar Singh | Catholic School, Candhipur |
| 5th | **Gagan Nepram** S/o Shanta Nepram | St. Joseph's Hr. Sec. School |
| 6th | **Brahmacharimayum Brinda** D/o B. Sharatchandra Sharma | Nirmalabas High School |
| 7th | **Elangbam Wangambi Chanu** D/o Elangbam Somendro Meetei | Padma Ratna English School |
| 8th | **Rubyshree Okram** D/o Okram Hemanta Singh | Catholic School, Canchipur |
| 9th | **Elangbam Lindina Devi** D/o Elangbam Khambaton Singh | K.M. Blooming Hr. Sec. School |
| 10th | **Okram Regan Singh** S/o Oinam Chandramani Singh | Ramakrishna Mission Vidyala, Kolkata |
| 10th | **Khuraijam Anjelika Devi** D/o Khuraijam Muhindro Singh | Royal Academy of Adv. Learning |
| 10th | **Soubam Diamond Singh** S/o Soubam Kenedy Singh | C.G.C.C. School, Wangoi |

**Class-9**

| Position | Name | School |
|---|---|---|
| 1st | **Angaanba Ningthoujam** S/o N. Sanjoy Singh | St. Joseph's Hr. Sec. School |
| 2nd | **Dhakeshwor Sarangthem** S/o Sarangthem Jiban Singh | St. Joseph's Hr. Sec. School |
| 3rd | **Polin Akoijam** D/o Akoijam Premjit Singh | Little Flower School |
| 4th | **Harseeta Thoudam** D/o Dr. Th. Hemchandra Singh | Little Flower School |
| 5th | **Yaisana Mayengbam** D/o Mayengbam Monokanta | Little Flower School |
| 6th | **Ayekpam Lankhonba** S/o Ayekpam Arun | Tiny Tots' Unique School |
| 6th | **Erwin Khundrakpam** S/o Kh. Gopiramon Singh | K.M. Blooming Hr. Sec. School |
| 7th | **Thoithoiba Khundrakpam** S/o Kh. Lata Devi | K.M. Blooming Hr. Sec. School |
| 7th | **Khumukcham Taibanganba** S/o Kh. Biren Singh | St. Joseph's Hr. Sec. School |
| 8th | **Prince Luwang Nongthombam** S/o N. Subhaschandra Singh | Catholic School, Canchipur |
| 8th | **Rasraj Thoudam** S/o Thoudam Tilakraj Singh | St. Joseph's Hr. Sec. School |
| 9th | **Elangbam Nganthoi Devi** D/o Elangbam Mani Singh | Little Flower School |
| 10th | **Taishinngamba Wahengbam** S/o Wahengbam Manigun Singh | St. Joseph's Hr. Sec. School |
| 10th | **Litesh Rajkumar** S/o Rajkumar Chitreshwor Singh | St. Joseph's Hr. Sec. School |
| 10th | **Bidyarani Thokchom** D/o Thokchom Tomei Singh | K.M. Blooming Hr. Sec. School |

**Class-10**

| Position | Name | School |
|---|---|---|
| 1st | **Taorem Yaiphabee** D/o Taorem Mangi | Brighter Academy, New Checkon |
| 2nd | **Nopursana Rajkumari** D/o R.K. Okendro Singh | Public School, Ningthoukhong |
| 3rd | **Elia Nepram** D/o Nepram Koba Singh | Pitambara English School |
| 4th | **Chanambam Alva** D/o Chanambam Baburam Singh | The Comprehensive School |
| 5th | **Ariesto Oinam** S/o Dr. Yengkhom Niveda Devi | Heritage Convent |
| 5th | **Larry Tayenjam** S/o Tayenjam Romio Singh | Heritage Convent |
| 6th | **Yaiphabi Haobam** S/o Dr. H. Indrakumar Singh | Shishu Nistha Niketan |
| 7th | **Wang Wang Ahanthem** D/o Ranjan Ahanthem | Tiny Tots' Unique School |

**Prize Distribution Function**
Date : 9th February, 2020
Venue : G.M. Hall Imphal
Time : 11.00 a.m. sharp

**Best School Award**
St. Joseph's Hr. Sec. School, Sangaiprou
&
Heritage Convent, Imphal

**SUBJECT TOPPERS**

| | | |
|---|---|---|
| Maths | **Angaanba Ningthoujam** (Class-IX) St. Joseph's Hr. Sec. School; **Catherine Sapam** (Class-II) Little Flower School | Mark Scored 40/40 |
| S. Sc. | **Ariesto Oinam** Heritage Convent, Imphal Class-X Marks scored - 20/20 | |
| Science | **Mediciana Moirangthem** Tiny Tots' Unique School Class-VII Marks scored-20/20 | |

**For any complaint or evaluation of paper, parents are requested to visit our office on 18/11/2019 Timing 1:00 - 4:00 p.m.**